# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JANUARY 20, 2020 **PAGE 7**




*৬২শুবা সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী বেষ্ট য়ং প্লেয়র তাখ্রবা এস এস য়ু শিংজমৈগী শান্নরোই টি ঐচ প্রেমজিৎ*



*৬২শুবা সি সি মিট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী বেষ্ট দিফেন্দর তাখ্রবা নেরোকা এফ সি সঙাকফমগী শান্নরোই দরিয়ু রোজেন*

## রোহিট শর্ম্মগী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ব্রিকেট ৭ তা থোইদুনা সেরিজ ২–১দা লৌখ্রে



*বেঙ্গালুরু, জনুৱারি ১৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা এম চিন্নস্বামী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা ৱাই দে মেটচতা রোহিট শর্ম্মগী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌখ্রে।

অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয়না হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০দা বেটসমেন ৯ আওট ওইরগা রন ২৮৬ লৌবা ঙমখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নর শুপ্নগী রন ৩ দা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্সপু রন ১৯ লৌরম্লগা রন আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা ষ্টিভ স্মিথ অমসুং মারনস লাবুসচেঞ্জনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা রন ১৫০ লাম্থোকহনখি। ৪শুবা বেটসমেন মারনস রন ৫৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বেট্টিংদা স্মিথনা বোল ১৩২ দা রন ১৩১ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা মোহমদ সামীনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৪ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইবা ঙমখি। টিম অসিগী অতোপ্পা বোল্লর রবিন্দ্র জাদেজাসু ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ২৮৭ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৪৮শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ৩ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অসি ৱিকেট ৭ তা মায় পাক্তুনা সেরিজ ২–১ দা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিংদা ওপনর ওইখিবা রোহিট শর্ম্মনা বোল ১২৮ মায়োক্নবদা সিক্স ৬ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ১১৯ অসিনা মপুং ওইরগা ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু বোল ৯১ দা রন ৮৯ লৌরমদুনা মেটচ অসি মায় পাকহন্দুনা সেরিজ লৌহনবদা চাওনা মতেং পাঙখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা শ্রিয়েস আয়রসু বোল ৩৫ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪৪ লৌবা ঙমখি।

## ট্রাউনা চর্চিল ব্রদর্সপু ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা মফমদা হাইগৎখ্রে

*মারগাও, জনুৱারি ১৯ (এজেন্সি)ঃ*

হেরো আই লীগকী ঙসি চর্চিল ব্রদর্সনা য়ুম্বু ওইরগা মারগাওদাদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মণিপুরগী ক্লব ট্রাউনা গোৱাগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ট্রাউ অমসুং চর্চিল ব্রদর্সনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী হেক হৌবদগী ট্রাউগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচকী ১৫শুবা মিনিটতা ট্রাউগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জেরার্দ ৱিলিয়মসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩০শুবা মিনিটতা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোই রাদানফাহ অবু বাকরনা গোল অমা চনখিবদগী ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনিটতা ট্রাউগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোই মোহমদ মোন্দালনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা মেটচ অসি মণিপুরগী ক্লব ট্রাউনা ২–১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব মোহন বগাননা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলবু গোল ২–১ দা থোইখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনিটতা মোহন বগানগী শান্নরোই জোসেবা বৈটিয়ানা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনিটতা মোহন বগানগী শান্নরোই বাবানা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোই মার্কোস জিমেনেজনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অসি মোহন বগাননা ২–১ দা মায় পাকখি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, THOUBAL

NOTICE FOR OBJECTION
Thoubal, the dated, 13th January, 2020

No. Prop/SR/TH/2019-20: It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the proposed "Grace Covenant Church" Thoubal Khunou on 13th January, 2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the Membership area of operation of Thoubal Khunou.

In the matter, Notice for objection is circulated/noticed for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting object if any in writing (Aadhar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed Centre at Thoubal Khunou within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed "Grace Covenant Church" Thoubal Khunou under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 MSR Rules, 2004.

Any objection, receiving byway of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- (T. Khongnem Singh)
Deputy Registrar of Societies,
Thoubal

SL/5739/19,20&21


### ক্রোসৱার্দ ৪০৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | E | A | D | | A | C | E | S | | S | L | A | S | H |
| E | L | S | E | | R | E | N | T | | T | O | R | T | E |
| E | L | E | C | T | R | O | D | E | | A | S | I | A | N |
| D | E | A | R | I | E | | O | V | E | R | E | A | T | S |
| | | | E | N | S | | W | E | L | T | | | | |
| P | A | L | E | T | T | E | | | O | S | C | A | R | S |
| A | D | E | | | | C | H | A | P | | O | R | A | L |
| D | I | V | A | | S | H | A | P | E | | T | I | D | E |
| R | E | E | D | | H | O | M | E | | | | S | A | P |
| E | U | R | O | P | E | | | D | E | S | S | E | R | T |
| | | | | S | E | N | D | | N | U | T | | | |
| I | M | I | T | A | T | O | R | | A | R | O | M | A | S |
| R | U | R | A | L | | B | A | R | C | E | L | O | N | A |
| A | L | A | R | M | | E | M | I | T | | E | D | D | Y |
| N | E | S | T | S | | L | A | D | S | | N | E | S | S |

## প্রো লীগতা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিবা পীখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জনুৱারি ১৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা নেদরলেন্দসকা শান্নরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগকী ঙসি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৩–১ দা থোইখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, প্রো লীগ অসিগী ঙরাং ষ্টেদিয়ম অসিমক্তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসপু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা ক্বার্টর লোইশিনখ্রবা ফাওবা গোল অমত্তা চন্নখিদে। মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা নেদরলেন্দসকী ভান দর ৱিরদেনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোই ললিটনা ২৫শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরকখি।

ইক্কেলাইজর ওইখ্রবা মতুং মথংগী মিনিটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই হর্টজবরগরনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মথংগী মিনিটতা নেদরলেন্দসকী অতোপ্পা শান্নরোই কেল্লরমেননা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্দুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনিটতা মন্দিপনা গোল অমা চন্দুনা ২–৩ লৈহনখি।

মেটচকী ৫৫শুবা মিনিটতা রুপিন্দর পালনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা গোল অমা চন্দুনা ৩–৩ দা মান্নখ্রবা মতুং এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদসু অহেনবা গোল চন্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌনদুনা মায় পাকপা টিম খনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওটতা ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৫ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

## আই এস এল – জমসেদপুর এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু ৩–২ দা থোইখ্রে

*জমসেদপুর, জনুৱারি ১৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল)গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জমসেদপুর এফ সিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

জমসেদপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা মফম অসিদা লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা জমসেদপুর অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্সনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসিগী ১১শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোই রাফেল মেসি বোলিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৯শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোই নো একেষ্টানা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোই অব্দুল হাক্কু চৎন–পখাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগীদমক মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎলবসু মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই বার্থোলোমিয়ু ওগবেচেনো গোল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ৭৫শুবা মিনিটতা জমসেদপুরগী শান্নরোই সর্জিও কাষ্টেলনা পেনাল্টিদা গোল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নরকখি।

মেটচকী ৮৬শুবা মিনিটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেরলাগী শান্নরোই বার্থোলোমিয়ুনা শোয়বদগী গোল অমা চনখিবদগী মেটচ অসি জমসেদপুরনা ৩–২ দা থোইখি।

## লোকেল প্লেয়র মিরাইবদগী ক্লবশিং শিথনবা মচাক ওইহল্লিঃ স্পিকর খেমচান্দ



*ইম্ফাল, জনুৱারি ১৯ (এস এন এস)ঃ*

লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ক্লবশিং নোংম–নোংমগী শিথরক্লিবসি মিংচৎকীদমক মপালগী প্লেয়রশিংদা মীৎয়েং থম্লবদগীনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খ্রে।

আই বি এস এ ( ইন্দো–বর্ম স্পোর্টস এসোসিয়েসন) য়ুম্নাম লৈকাইনা শিনবা অন্দর ১৩ গ্রাস রুট ফ্রি ফুটবোল কোচিং কেম্প হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা স্পিকরনা হায়, মণিপুর মতম অমদা শান্নরোই অফবা পুথোকপা ক্লব কয়া খুরক হাংদনা লৈরম্মী। ঙসিদি অদুগুম্বা ক্লবশিং নোংম–নোংমগী মাঙশিল্লকলে। মসিগী অচৌবা মরমদি মপালদগী প্লেয়র লৈরগা শান্নহনবা অসিনা ওইরক্লি। মসিনা ক্লবশিংদা মীংচৎ পুরকপা ঙম্লবসু অকোয়বগী প্লেয়রশিংদা শান্ননিংবগী ইহুল অদু হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা ক্লবশিং অসি শিথরকপনি।

আই বি এস এনা লোকেল প্লেয়র শেমগৎপদা য়ুম্ফম ওইরগা ঙসিদগী হৌরিবা গ্রাস রুট কোচিং অসি মায় পাকপা ওইসনু। লোয়ন–লোয়ননা প্লেয়রশিংবু মায় পাকপা হায়বদু ওইদুনা ক্লব অসিনা মতম অমদা লৈরম্বা মীংচৎ অদু অমুক হন্না হঞ্জিনবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিদগী হৌরিবা গ্রাস রুট ফুটবোল কোচিং অসিদা পুন্না চহী ১৩ মখাগী শান্নরোই ৫০ রোম্না শরুক য়ারি। প্লেয়রশিং অসিদা আই বি এস এগী মায়কৈদগী য়ুনিফোর্ম, দাইটনচিংবা অচঙবা পোৎলমশিংসু লেম্না ফঙহল্লি।

## বজরং পুনিয়া অমসুং রভি দাহিয়ানা রোমদা গোল্ড লৌখ্রে

*রোম, জনুৱারি ১৯ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়া অমসুং রভি দাহিয়ানা ইটালিগী কোনুং রোমদা পাঙথোকখিবা রোম রেঙ্কিং সেরিজদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

বজরং পুনিয়ানা নুপাগী কেজি ৬৫ ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল বাওটতা অমেরিকাগী জোরদান ওলিভরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং পোইন্ট ৪–৩ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

রোম রেঙ্কিং সেরিজ অসিগী ঙসি অঙনবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬১গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রভি দাহিয়ানা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর নুরবোলাট অব্দুৱালিয়েভবু য়াম্না হেনবা মওং দা পোইন্ট ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

দাহিয়ানা অহানবা রাউন্দদা মোলদোভাগী আলেকজেন্দু চিরটোৱাকাবু মায়থিবা পীরম্লগা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী নুরিস্লাম সানায়েভবু মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর জিটেন্দর (কেজি ৭৪) অমসুং দিপক পুনিয়া (কেজি ৮৬) অহানবা রাউন্দশিংদা লৈহৌখি।


M/S IMPHAL PRESS
Screen Printing & Rubber Stamps Works
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI
Lengsinbirakshi
* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Sweet Box
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal



* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing
20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal
লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোং চাবশিং অসি লৌমিন্নরসি
M/S IMPHAL PRESS
Paona Bazar, Governor Road Crossing
Phone No. 9774220295 / 9366285239
SL/5683/6+15 days





Happy Birthday
to Dear
Ngangom Veronica



Love from,
Ngangom Jilla (Dad)
&
Ngangom Surnalata (Mom)
Haobam Marak Ngangom Leikai
SL/5741/20



MEIKLEY
International School
ESTD. 2016
ADMISSIONS OPEN
HURRY UP
Curriculum supported by
BUBBLES KIDS
(A Globally Recognised)



Classes
Pre-Nursery to Class III
2020-2021
Class Starts from
23rd Jan, 2020
THURSDAY
Vacancy : 4 LADIES TEACHERS
For details, just dial :
8787880819
9774770388
meikleyinternationalschool@gmail.com
Lalambung Makhong,
Near Lalambung Pung
RIMS Road, Imphal -1
SL/5669/3+15 days



FOCUS
The Conceptual study Circle
Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388
SL/5669/3+15 days